# নোংগী ঈশিংতবু শীজিন্নদুনা লৌউ-শিংউবা পাঙথোকপা মফমশিংদা খুদোংচাগদৌবা থৌওং অমা ওইনা ফৌ, ঙা অমসুং হঙ্গামগী অওন পোখ্বা পাঙথোকপা

ডা: য়ুম্নাম বেদজিৎ সিংহ





**মীশিং** য়ামখৎলকপনা মরম ওইদুনা পোৎথোক হেনগৎহন্দবা য়ারক্ত্রে। লৌমীশিংনা অনৌ অনৌবা টেক্নোলোজিশিং শীজিন্নদবা য়ারক্ত্রে। মসিদসু নত্তনা ঐখোয়গী লৈজরিবা লৌবুকশিং অসি মতম হাংহন্দনা সিঙ্গল ক্রোপশিংদগী দবল ক্রোপিং অমসুং মল্টিপল ক্রোপিংনচিংবা তৌদুনা পোৎথোক মরাং কায়না, শেন্দোং লৈনা পুথোক্ল বা হোৎনবা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইরক্লে। মণিপুরদা অঙনফৌ থাবগী চাং অসি অসুম অসুম হন্থরক্লিবগী মরুওইবা মরমশিংদি চানবা মখলগী ফৌ মখল ফংদবা, ফৌনা মুনশিল্লকপা মতমদা নোং কন্না চুবা অমদি তুথদুনা ফৌ ময়োন চোংবা, চহী অমদা ফৌ অমুক্তং থাবনা অনীরক থাবদগী চাথোক হেনবা, ইরিগেসন ফজনা লৈতবা, লোক্তাক হায়দ্রেল প্রোজেক্টনা মরম ওইদুনা লোক্তাক অমদি অতোপ্পা পাৎ কয়া পাকথোরক্তুনা লৌ উবা য়াবা মফম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখিবা অমদি লৌবুক কয়া ঙায়োক পুখ্রি ওন্থোকখিবা অসিনচিংবনি।

মণিপুরদা লৈরিবা অথেনবা পাৎ ময়াদা লৌউ-শিংউবগী থবক অসি ঈশিং ঈচাউগী মখা পোনবা মরম্না লৌমীশিংদা নীংহন্নবা হেক হেক পোকহল্লি। মমাঙঙৈগী মতমদদি মীশিংসু য়াল্লমদে, লমসু মরাং কায়না লৈরম্মী। মরম অদুনা লৌউ অমুক্তং উনরম্মী অমদি করিগুম্বা নাতে চাদবা নোং-চিং মরাং কায়না চুদবা চহীদা অমুক্তং উরিবা লৌ অদু ফাওবা লোকপা নিংথিনা ফংদবা অমসুং লৌফম অদু চহী চুপ্পা হাংদুনা লৈবা ফাওবা য়াওনরম্মী। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্কী মতমদদি লৌখত্তমক উরগা লৈরম্বা লৌফম অদুদা ঙাসু য়োকপা অমদি অতোপ্পা পোৎথোক লৈবা হায়বদি হঙ্গামগুম্বসু থাদুনা চহী অমদা পোৎথোক অহুল্লক ফংনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরে। অসুম্না তৌদুনা শেন্দোং লৈনা অমদি পোৎথোকসু মরাং কায়না ফংগদবা থৌওংশিং পায়খৎপগী মতম ওইরক্লে।

মতাং অসিদা থমজনীংবা থৌওং অমদি অঙনফৌ লোকখ্রবা মতুংদা ঙা থাজিন্দুনা ঙা য়োকপা অমদি ঙা ফাদোকখ্রবা মতুংদা ফৌ থাদ্রিঙৈদা হঙ্গাম অমুক হুন্দুনা ট্রিপল ক্রোপিং তৌবীবা অসিনি।

হায়রিবা থৌওং অসিদা ফৌ থাবদগী হঙ্গাম হুনবা অমসুং ঙা য়োকপনা হেন্না শেন্দোং ফংবা ঙম্মী। থৌওং অসিদা য়োকপা য়াবা ঙাশিংদি নাপীচাবী, শিলভর কার্প, রৌ, ম্রিগল, পুকলাওবী অসিনচিংবনি। ফৌ মখলদি খরা থুনা ফৌ লোকপা য়াবা মখল হায়বদি মপান্দগী পুশিল্লকপা হায়ব্রিদ ফৌ মখলশিংনা হেন্না চান্নগনি।

করিগুম্বা লৌফম অমদা ঙা য়োকপগা ফৌ থাবগদমক পাঙথোকপীগে হায়রবদি ঙা ফাদোকখ্রবা মতুংদা শেমদুনা লৈরবা লৌহোনশিং শীজিন্নদুনা সিষ্টেম ওফ রাইস ইন্টেন্সিফিকেসনগী থৌওং শীজিন্নদুনা ফৌ অমুক থাবিবা য়াই। হায়রিবা থৌওং অসিদদি লৌ খোইদ্রবসু য়ারে। হার হাপ্পীদ্রবসু য়ারে। শুপ্নতগী লৌফম শেম্বীরগা লৌহোলশিং অমমমতা ওইনা থাবিবা য়ারে। ঙানা লৈরম্বা পুখ্রি অসিদা ঙাগী মথি অমদি লেমহৌবা মচিঞ্জাক অমদি পৎথ-পুমথরকপা পোৎশকশিং অয়াম্বা তুংদুনা লৈবা মরম্না ফৌগীদমক্তা অসুক্কী মতিক কান্নবা পী।

হায়রিবা থৌওং অসি সিষ্টেম ওফ রাইস ইন্টেন্সিফিকেসনগী থৌওংশিংদগী খরা খজিক খেন্নরবসু মসিগী মওংসিদা থাবনা য়াম্না হেন্না কান্নে অমদি ফৌ লোকখ্রবা মতুংদা ঙা অমুক য়োকপদসু খুদোংচাবা য়াম্না হেল্লি।

করিগুম্বা হঙ্গাম হুনবীগে হায়রবদি নবেম্বর থাগী অরোইবা চয়োলদগী দিসেম্বর থাগী অহানবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা হুনবীবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ অমদি অঙনফৌ থানবগীদমক্তসু খুদোংচাবা হেল্লি। ঙা ফার্ম মনুংদদি মফমদু অমুক খোইদোকপগী মথৌ তাদ্রে। ঙা ফানবগীদমক্তা ঈশিং শিৎতোকখিবদগী খরা খরা কংলকপা মতম চোৎলি চোৎলি তৌরিঙৈ মতমদা হুনবীবা য়ারে।

কৃষি বিগ্যান কেন্দ্র থৌবালগী সাইন্টিষ্টশিং অমদি লৌমীশিংগা লোয়ননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা পাৎলৌ ওইনা তৌবা মফমশিংদা চথখিবা চাংয়েংশিংগী মতুং ইন্না ফৌ, ঙা অমদি হঙ্গামগী অওন পোখ্বা অসি পাঙথোকপদা ফৌদগী ফংবা শেন্দোং অসি লুপা ১১,৬৫০ নি। হঙ্গামদগী ফংবা শেন্দোংনা লুপা ১৭,৩০০ নি। অদুগা ঙাদগী ফংবা শেন্দোংনা লুপা ৯০,৪০০ নি। অঙনফৌ লৌউ পথাপ অসি পাঙথোকপদা শেন্দোং য়াম্না লৈতবা অমদি খূৎশুমলনা অসুম অসুম ৱাংখৎলকপা মরমশিং অসি লৈবনা অয়াম্বা লৌমীশিংনা অঙনফৌ হায়বদি অহানবা লৌরোক অসি উবদা থৱায় য়াওনরক্তবগী অচৌবা মরম অমসু ওইরি। তৌইগুম্বসুং মথক্তা পনখ্রিবা থৌওং অসি চথরবদি লৌমী কয়াগী পূক্নিং চিংশিনবা ঙমগনি।

চান্না ঐখোয়গী মরুওইবা চিঞ্জাক অমা ওইবনিনা লৌ উবা হায়বসিসু পাঙথোক্তবা য়াদ্রবা থৌদাং অমনি। তৌইগুম্বসুং ঙা য়োকপনা শেন্দোং লৈবা হেল্লি হায়দুনা লৌ উনরিবা লৌবুকশিংবু ঙায়োক পুখ্রিশিং ওন্থোকপা কয়া থেংনরি অমদি মসিনা মরম ওইদুনা লৌ উনবগী লৌফমশিং হন্থরকপা অমদি ফৌগী পোৎথোক হন্থরক্নবগী অচৌবা মরম অমসু ওইরি।

মথক্তা পনখ্রিবা থৌওং অসি পাঙথোকপা মতমদা শেল চংবগী চাং হন্থহল্লি, পোত্থোক হেনগৎহল্লি, মীওই কয়াবু শিনফম পীবা ঙমহল্লি অমদি মফম অমত্তদগী পোৎথোক কয়া পুথোক্তুনা মফম অদুবু চহী চুপ্পা হাংহন্দনা শীজিন্নবগী খুদোংচাবসু পীরি। মণিপুরগী লৌফম অয়াম্বা ঙাগা পূন্না য়োকমিন্নবসু য়াগনি। তৌবতবু লৌফম অদু খরা খজিক শেমদোক শেমজিন তৌবগী তঙাইফদবদি লৈ।

লৌ মরক্তা ঙা থাজিন্দুনা য়োকপগী কান্নবা কয়াসু লৈ। অসুম্না লৌ উনরিবা লৌফম কয়াদা ঙা খজিক খজিক্তা ওইরবসু লৌ মরক্তা থাজিন্দুনা য়োক্লবদি মণিপুরগী ওইনা ঙাগী পোৎথোক্কী অৱাৎপা অসি মেনখৎপা ঙমগনি। হৌজিক লৌমী অয়াম্বনা লৌ উননবগী থৌরাং লৌখৎপা হৌনরম্লগনি। মতাং অসিদা ঙাসু থাদবগী থৌরাং লৌখৎপীদুনা লৈবাক্কী ওইবা ঙাগী অৱাৎপা মেনখৎপদা শরুক য়ামিন্নরসি।

মথক্তা পনখ্রিবা থৌওংশিং অসি ইরিগেসন হায়বদি ঈথৈ লৌখোং ফজনা লৈতবা মফমশিং, নোংগী ঈশিং শীজিন্নদুনা লৌ উবা মফমশিংদা পাঙথোকপা য়াবা থৌওংশিংনি। মরম অদুনা মণিপুরগী মফম কয়াদা পাঙথোকপদা খুদোংচাগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৪

১। অরিবা মীতৈলোন ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু :
(ক) তুবী (খ) তেকপী

২। "কদাইদনো মরাইবক থীরবী মণিপুর/মেলৈ লৈস্না নুংজুমপান কদাম্বদি লৈনুংশি/কদায়দনো নহাক্কী ঈশৈগী মন্দির।" পরেংশিং অসি কবি কনানা হায়রম্বনো?

৩। "ঈজৎ মাঙলবনি ফুলন দেবী/ঈজৎ মাঙলবনি বিস্বাস/ঈজৎ মাঙলবনি ভারতকী নুপী/ঈজৎ মাঙখ্রবনি নুপী পূম্নমক।" পরেংশিং অসিনা অইবী কনানা হায়বনো?

৪। কর্টার সিং দুগ্গলগী ৱারীমচাশিংবু 'থাবলগী চৈনা' হায়না মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৫। 'শক্লোনশিংগী শক্তম' কৌবা নৈন-ৱারেংগী লাইরিক অদুগী অইবা/অইবী অদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৪ গী অচুম্বা পাউখুম কয়া য়াওদবনা ৱাহং অসি অমুক হন্না হংজরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ৩১-০৭-২০১৭, নিংথৌকাবা, থৱানগী ৮নি পানবা, অয়ুক্কী পূং ১০.১৪ দগী ৯নি পানবা, যোগিনি মায়কৈদি চিংখৈ, অয়ুক্কী পূং ১০.১৪ দগী নোংপোক।

**মেষ** ঃ ইমুংদা নুংঙাইজবা, ইচা ইনাওগী মরমদা নুংনাংবা, অরংবা পোৎ ফংজবা লৈ।
লল্লোল ঃ শেলগী মরী লৈনবা, মৈগী থবক্তা কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনিংবা থুংগনি।
হকচাং ঃ খ্বাঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাংবা, চিনি অঙাংবা।

**বৃষ** ঃ থবক মফমদা অহোংবা পীরকপা, কান্নজবা, ইমুং মনুংগী পাউ নুংঙাইবা লৈগনি, মীনা নুংশিবীগনি।
লল্লোল ঃ অরংবা পোৎ-চৈদা কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল নুংঙাইগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরীদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

**মিথুন** ঃ ৱাখল মওল মওল খনবা, অরাপ্পা লমদা চৎপা, শেল চৎপা লৈগনি।
লল্লোল ঃ সনাগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা ৱাখল পোকহনগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চাচন্দন।

**কর্কট** ঃ নুংঙাইবা পাউ তাবা লৈ, শেল চৎপগী মরম লাক্কনি, খরা চেকশিন্না চৎপা ফৈ।
লল্লোল ঃ চাদিং হেনগনি, তুং-মাঙ য়েংবা ফৈ।
পাখং-লৈশা ঃ মীৱা মৈশা লৈগনি।
হকচাং ঃ মিৎতা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাংবা, ঘী।

**সিংহ** ঃ তৌরুবা থবক্তা খরা চাওখৎপা লৈগনি, ৱাখল নুংঙাইগনি।
লল্লোল ঃ সনা, ফিরোলগী থবক চাওখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ খনবনা অমা, তৌবনা অমা লৈগনি।
হকচাং ঃ উনশা অপোম অতং পীরি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : অল অঙাংবা, চিনি অঙাংবা।

**কন্যা**ঃ ইমুংদা নুংঙাইজবা, শেল চৎপা, মীগা মুক্নবা, মখা থাবা মীনা য়েংথীবা ওইরি।
লল্লোল ঃ ঈশিং, ফিগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লাংগনি।
হকচাং ঃ শরূদা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, থোইদিং অমুবা।

**তুলা**ঃ ইচা ইনাওগা শাওনবা লৈ, লম কোইনিংবা, খঙহৌদনা ৱাখল ওল্লকপা লৈগনি।
লল্লোল ঃ ঈশিংগী মরী লৈনবা থবক্তা কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাওনবা লৈগনি, তপথবা ফৈ।
হকচাং ঃ কোক নুংঙাইতবা পীরি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চাচন্দন।

**বৃশ্চিক** ঃ নক্নবা মীগা মুক্নবা, মরী-মতা মথক থোংবদগী নুংঙাইতবা পাউ লৈগনি, শেল চৎকনি।
লল্লোল ঃ হীদাক লাংথক্কী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্ন-চিন্নগনি, ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ ফিরাক, পুকতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থাউ অহিংবগী মৈরা, লৈ হিগোক।

**ধনু** ঃ মীনা শন-মান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি, মচাক মরল চঙবা লৈগনি
লল্লোল ঃ সনা লূপাগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা ৱাখল লাক্কনি।
হকচাং ঃ মিৎ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।


**মকর** ঃ ইকাইবা নংবা, শাওনিংবা পোকপা, লমদা চৎপা, পৈশা চৎপগী মহয় লৈ।
লল্লোল ঃ লাকপগা চৎপনা হেনগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লাংগনি, মওল মওল খনবা, নুংনাংবা লৈ।
হকচাং ঃ খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

**কুম্ভ** ঃ মখা থাবা মীগা মুক্নবা লাক্কনি, পুক্নিং তপথবা ফৈ।
লল্লোল ঃ হিদাক, অচা অথক্কী পোৎলম কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীনা পাউথোকপীবা লৈগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী, মিৎতা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাংবা, শঙ্গোম।

**মিন** ঃ মীনা নুংশিবীগনি, নুংঙাইবা পাউ লৈগনি, মরুপ-মপাং লোয়নবা লৈগনি।
লল্লোল ঃ সনা লূপাগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল নুংঙাইগনি।
হকচাং ঃ কোক মায় নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ চিনি অঙাংবা, লৈ অঙাংবা।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।

## CROSSWORD-2489



**ACROSS**

1 Aid in crime (4)
3 Tyrannical (8)
9 Young dogs (7)
10 Ravine (5)
11 Synthetic fabric (5)
12 Religious festival in spring (6)
14 Deposit that forms on teeth (6)
16 Farm livestock (6)
19 Loll (6)
21 Dark brown fur (5)
24 Motive (5)
25 Songbird (7)
26 Capsize (8)
27 Autumn (4)

**DOWN**

1 Harshness of manner (8)
2 Vacant (5)
4 Simpler (6)
5 Attendants (5)
6 Torture (7)
7 Head-cook (4)
8 Austrian capital (6)
13 Postponement (8)
15 Ecstasy (7)
17 Ludicrous (6)
18 Not so fast (6)
20 Stave off (5)
22 Strong very light wood (5)
23 Reverberation (4)

**Solution 2488**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| H | E | L | P | F | U | L | ■ | M | U | T | E | D |
| A | ■ | O | ■ | A | ■ | I | ■ | O | ■ | I | ■ | R |
| M | I | S | E | R | ■ | M | O | R | O | C | C | O |
| S | ■ | E | ■ | R | ■ | P | ■ | A | ■ | K | ■ | N |
| T | E | R | M | I | T | E | ■ | L | O | O | S | E |
| E | ■ | ■ | ■ | E | ■ | T | ■ | ■ | ■ | F | ■ | ■ |
| R | E | F | O | R | M | ■ | C | O | F | F | E | R |
| ■ | ■ | A | ■ | ■ | ■ | O | ■ | B | ■ | ■ | ■ | E |
| C | A | L | L | S | ■ | R | I | V | I | E | R | A |
| A | ■ | L | ■ | A | ■ | A | ■ | I | ■ | L | ■ | D |
| C | R | O | Q | U | E | T | ■ | O | D | I | U | M |
| H | ■ | U | ■ | N | ■ | O | ■ | U | ■ | T | ■ | I |
| E | X | T | R | A | ■ | R | E | S | P | E | C | T |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-2288**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 2 | | | | | | |
| 9 | 5 | 1 | | | | | | |
| | 4 | | | 3 | | | 7 | 5 |
| | | 5 | 8 | | | 1 | | |
| | 1 | 4 | 5 | | 7 | 6 | 8 | |
| | | 7 | | | 9 | 2 | | |
| 1 | 8 | | | 9 | | | 3 | |
| | | | | | | 7 | 6 | 1 |
| | | | | | | 5 | | |

**Solution-2287**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 1 | 4 | 9 | 5 | 7 | 8 | 3 | 6 |
| 7 | 6 | 5 | 3 | 8 | 4 | 1 | 9 | 2 |
| 8 | 9 | 3 | 2 | 6 | 1 | 7 | 4 | 5 |
| 4 | 7 | 9 | 1 | 2 | 6 | 3 | 5 | 8 |
| 1 | 5 | 2 | 8 | 7 | 3 | 4 | 6 | 9 |
| 6 | 3 | 8 | 5 | 4 | 9 | 2 | 1 | 7 |
| 3 | 4 | 6 | 7 | 9 | 8 | 5 | 2 | 1 |
| 5 | 8 | 1 | 6 | 3 | 2 | 9 | 7 | 4 |
| 9 | 2 | 7 | 4 | 1 | 5 | 6 | 8 | 3 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

## EMPLOYMENT NEWS

### RBI RECRUITMENT – RESERVE BANK OF INDIA – 02 DIRECTOR & OFFICER VACANCY – LAST DATE 11 AUGUST 2017

**RBI Recruitment 2017**

Reserve Bank of India (RBI) invites application for the post of 02 Director & Officer. Apply Online before 11 August 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**RBI Job Details :**

**Post Name** : Director
**No. of Vacancy** : 01 Post
**Pay Scale** : Rs.72800-102350/-
**Post Name** : Officer
**No. of Vacancy** : 01 Post
**Pay Scale** : Rs.35150-62400/-

**Eligibility Criteria for RBI Recruitment :**

**Educational Qualification :**

**For Director :** Minimum Post Graduation with first class (equivalent to 60%) (preferably in Economics) and a Degree or Diploma in Journalism or Mass Communication or Public Relations of minimum one year duration conducted by reputed institutes.

**For Officer :** Minimum Graduation with first class (preferably in Economics ) and a Degree or Diploma in Journalism or Mass Communication or Public Relations of minimum one year duration conducted by reputed institutes.

**Age Limit :** Minimum & Maximum age limit is 40 to 50 years for Director & 26 to 35 years for Officer as on 01.07.2017

**Job Location :** All India

**RBI Selection Process** : Selection will be based on Interview.

**Application Fee :** GEN / OBC Candidates have to pay Rs. 600/- and Rs.100/- for SC/ST/PWD through Debit Cards (RuPay/Visa/MasterCard/Maestro), Credit Cards, Internet Banking, IMPS, Cash Cards/ Mobile Wallets.

**How to Apply RBI Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://www.rbi.org.in form 24.07.2017 to 11.08.2017 till 11:59 PM thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**

**Starting Date for Submission of Online Application :** 24.07.2017

**Last Date for Submission of Online Application & Fee :** 11.08.2017

**Important Links :**

***Detailed Advertisement Link :*** *https://rbidocs.rbi.org.in/rdocs/Content/PDFs/RPCCP20072017FF3BEE74A1474C63A157C1B589A71010.PDF*

***Apply Online :*** *http://ibps.sifyitest.com/rbiphdbjul17/*

***Android App Link :*** *Sarkari Naukri App*


লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।
(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।
(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।
(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙল্লে।
(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।
নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু
(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।
(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিডৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে।
(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।
(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-


DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3974/28/6-28/7



DUTTA CLINIC

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি



অঙৌবা পকপা :
অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :
তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্না পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :
ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফর্টিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :
ফিডৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :
নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্না অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :
ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :
না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/3917/05/7-4/8